হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওগষ্ট ১৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৪০শুবা মশীং

## কন্থি থোক্লবা চুমদে

### তপ্না ঈংনা ঙাঙনরগা ব্রারোইশিন পুরকউ

মণিপুর খক্তগী নৎত্রগা ইন্দিয়াগী ব্রাফম নত্তনা মালেমসিদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক্কী মখোয়গী ফুরুপ-কাঙলূপ, মসিগী হৌরকফম, লাইনীং লম্বেল চৎন-কাঙলোন অমসুং চাকচা-য়ুথকশিং লোইনা লৈনরিবনি। অকক্লবা মফম খরদা লাই থাজদবা, লাই নীংদবা, লাইনীং লম্বী লৈতবা কাঙলূপ খরা লৈজরবসু পূন্না শুপচিন্না য়েংবদা মীওই কাঙলূপশিংগী, মাগী মাগী ওইবা খূৎপুশিং লৈনরিবনি। মসিগুম্বা খেন্নবা, মান্নদবা জাৎ-কুচু ময়াম্না পূন্না খুন্দামিন্নদবা লৈবাক য়াওদে। অচৌবা অপিকপা লৈবাক্কী ব্রাফম নত্তনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদা, ষ্টেট অমদা নৎত্রগা লৈবাক অমদা শুপ্নতগী চপ মান্নবা, অমত্তা ওইবা মীওই কাঙলূপ অমখক্তনা লৈবা য়াওদ্রি। তোঙান তোঙানবা কাষ্ট এন্দ ক্রিদ কয়াগী মীওইশিংনা লৈমিন্নরিবা ঙাক্তনি। মসিগী ফীভমসি লৈবাকসিদা লৈরি। পিকখ্রবা মণিপুরদসু ওইরি। মসি ওইরগদি কাঙলূপ অমগা অমগা মাগী মাগী হৌরকফম, মশক-মওং, পুব্রারী, চৎন-লিচৎ অমসুং লোন-ময়েক্ল চিংবশিং কোথোক্লদুনা মন্থিনগদৌরিবসি করিগীনো? মসিগী কান্নবা লৈব্রা? লৈ, খুন্দা লৈতামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা কাঙলূপ অমনা মশাগী চপ চাবা মশক খোৎ-খোৎপা শেংনা খঙজগদবনি। মসিগী মথক্তা ফুরুপ অমনা অমগী মতাংদসু মশক মুন্না খঙনগদবনি। হায়রিবশিং অসিগীদমক মীওই অমগা অমগগী মরক্তা অহানবা থেংনবদা কনানো, করিনো, কদাইদগীনো হায়বা ব্রাফমশিং হোদোক্লদুনা মশক তাক্লরিবনি। অমগা অমগা মশক খঙনরগদি অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা লৈনগনি। মশক খঙনা ব্রাখল তামিন্নদুনা লৈমিন্নগনি, নুংশি-চান্নগনি। অমত্তা ওইবগী ব্রাখল্লোনগী চেৎলবা লংলানা পুন্দুনা হরাউ-হরাউ লৈমিন্নগনি। ফুরুপ কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা, থোরকফমসু থোক্তবা থৌদোক অমত্তসু থোরক্লোই।

অদুবু চাওরবা মালেমগী ব্রাসু নত্তবা, লৈবাকসিগীসু নত্তবদা পিকখ্রবা ষ্টেটসিদা লৈমিন্নরিবা মীওই কাঙলূপশিংগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং হেক হেক থোরকই। হৌরকফম, খুন্দারকপা য়াওনা হৌখ্রবা ব্রারী শীংবুলশিং কোথোক্লদুনা হেক্তা চিন্দা পৌদানরকই। ওনশিন্নদুনা অব্রাই-অখুম তৌনরকপা য়াওই। কন্থি থোক্লরকপসু য়াওই। অদুবু মসিগী কান্নবনা করি ওইগদৌরিবনো? ফুরুপ-কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদ্রগা, থরুম থম্নদুনা নীংদোল পোম্না হিংনরগা অমনা অমদগী তোংজবা লৈগদ্রা? অতোপ্পা অমদুনা মাঙজগদ্রা? নুংশি-চান্ননা, চারৌ-মৌরৌনদুনা লৈমিন্নরক্লিবা মশেলগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তৌনরগা মদুগী লৈবাক্তু/লমদমদু করি ওইরকপা য়াবগে? মাঙ থানা চেনখৎকদবা চাওখৎ লম্বেলদা মায় পাক্লা চেনখৎপা ঙমগদৌরিব্রা? অদুনা কাঙলূপ অমগা অমগগী মরক্তা নুংশিনহন্দবগী মচাক ওইরক্কদবা থৌরাং-থৌশিল অমত্তা পাঙথোকপা চুমদে হায়নীংই। অদুনা মসিগুম্বশিং অসি থোরক্তনবা মফম অমদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ-কাঙলূপশিংগী মরক্তগীসু মশীং য়াম্বা কাঙবুনসু, য়ামদবা কাঙবুনসু অপিকপা, অখুবা মীৎয়েংশিং থাদোক্লরগা, তুংওইননা থম্নরগা অমত্তা ওইবগী ব্রাখল পরিংদা খূৎশম্ননা চৎমিন্নগদবনি। মসি নৎত্রগদি হৌজিকপু মণিপুরদা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপশিংসিগী মরক্তবু নঙনা অদুনি, ঐনা অদানি, নখোয়দগী অদুদগী, অদুগী মতমদুদা লাকপনি, ঐখোয়না হান্না লৈরম্লবনি হায়রুবা য়াগদৌরিব্রা? নৎত্রগা নখোয়দি লৈফম থোক্তে, চৎখ্রো হায়গে হায়রিব্রা? ফুরুপ-কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা মখোয় মশা-মশানা মশাগী মশক খঙজবদি চুম্মীনা। অমনা অমগী হৌরকফম, মশক মুন্না খঙনবসু তঙাইফদে। অদুবু অশেংবা মশক খঙনরকান্দা অমনা অমবু উশিৎপীদবা, তাথী-তাওইনা তৌবীবা, হন্থনা য়েংবদি চুমদে। অদুগা ফুরুপ মশেলগী মরক্তগীসু মশা হৌরকফম, মশক লোৎশিনবা, লান্না হায়জিন্দুনা শক্তাকপগী থৌওংসু চখ্থরোইদবনি। হায়রিবা ফীভমশিংসি ঙাক্লরগা লৈমিন্নগদবনি। চয়েৎনবা ব্রাফম থোরক্লগসু তপ্না-ঈংনা ফম্মিন্নদুনা ব্রারী শানরগা ব্রারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩

১) কুমজা ১৯৬৫ইংদা ফোঙখিবা *‘লৌনম’* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) *“বীরবাহু তুবা”* হায়বা লাইরিক অসি মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৩) *“নোংচুপ নোংপোক্কী মীনা সনামহী পাখংবা লাই অয়াম্বদা চঙফদে। মাইবা লোয়শঙ অহুম্মাদা খনফদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী শঙ্গাই চঙফদে।”* ব্রাহে পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৪) বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা চেফোংদু করিনো অমসুং করম্বা মতমদগী ফোঙবা হৌখিবগে?

৫) *“ভাগবত ধর্ম্ম অমসুং দ্রমর গীত”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ব্রাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফাগি

### ব্রাইরু-ব্রাইরুবদা

মতম অমা অকাশবানি ইম্ফালগী ইপোমগী থৌরমদা ময়াং ইম্ফাল তোম্বীগী লাই থরোইগী ফাগি তাখি। চাওবা, তোম্বী অমদি বাবু মখোয় মরুপ অহুম হি হোনবগী ইপোম তাখি। ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনে, ওইনাম বাবুনে, তখেল্লম্বম চাওবনে মখোয় অহুমগী ইপোম চয়োল খুদিং তাখি। মতম অদু অকাশবানি ইম্ফালগী গোল্ডন পেরদকী মতমনি। হৌজিক্তি রেদিওদা ইপোম অমুক হন্না তাখিদ্রে। কেসেটতা ফংলিবা ইপোম অসিদি মখোয় অহুমনা চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমগীনি, মশা ইহৈ হৈনীংলক্তবা মতমগী পাঙ্গল য়াওরক্তবা মতমগীনি। অকাশবানি ইম্ফালদা লৈবা চাওবা, তোম্বী অমদি বাবুদি নহা য়াম্না ওইরিঙৈগীনি। য়াম্না দাইনামিক ওইবা মতমনি। মদুগী মহাউ তংবা ফংহৌবশিংনা অকাশবানি ইম্ফালবু কাউবা ঙল্লোই। মখোয় অহুম্না থুপখিবদা ইপোমদি অদুম লোইশিনখ্রে। মখা শমথনরকখিদ্রে।



মীরোল অসিনা উহৌবা ফাগিরোইশিংগী মরক্তা চাউবা, তোম্বী, বাবু, কুঞ্জরাজ, ধনবির, হুইরেম মঙলেম, খুরাইগী মঙলেম, চন্দ্রবলি শাবী নবদিপ, ইতুখোম্বী অসিনচিংবা পনবা য়াই। মখোয় অমত্তা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈত্রে। শৌগ্রাকপম হেমন্ত, কুবের, রঙ্গিলাল, জোসেফ, দেবান, গুণ, সন্তোশ, সুরমঙ্গোল, মঙ্গি, হেপি রাজেন অসিনচিংবা কয়া অমসু থোরকই। মসিগীসু মথক্তা মোং হাদনা নোকনীংহনবা মখোল শিরি-শিরি তৌবা তা কবোকলৈ ইনাওচা (ইবোমচা) থোরকই। য়াম্না নেচর তাই। কবোকলৈ ইনাওচাগী ফাগি খুত্তৌ অশেংবদা অশেংবা মাল্লি। শেমজিন শাজিনবা ফাগি ওইদে।

ওলেন অমদি বোনি অনী অসিদি তৌথোরকপা খুদিংদা মানমন্দুনা হেক্তা পূক্লি পায়দুনা নোকনীংহনবা লিদ রোল কুম্বা ফাগিরোইশিংনি। ওলেনগী ফাগি ফিল্ম খুদিংদা উবা ফংই, মানা খোঙচৎ ফিল্মদা তৌবা এক্টিংশিং কনানা কাউবা ঙমগনি? বোনিগা ওলেনগনা তৌরকপা ফাগিদি ওভরএক্টিং ওইদে, হেনজিনবা য়াওদে। ফাগি হায়বসি থওইনা মী নোকহল্লগে হায়না তৌরসু মীনা নোক্তে। হেনজিন্দনা য়াম্না নেচর তানা ফাগি তৌরবা মতমদা নোকপা হৌরকই ঐখোয় অয়েংবশিংগী থম্মোয়না। অওই-অওইবদুদা তৌরগা অদুম হেক্তা নোক্কে হায় ঐখোয়গী থম্মোয়দি। ধনবির, হেমন্ত, খুরাই মঙলেম, বাবু, ইতুখোম্বী, নবদিপ, খুরাইগী জয় অসিনচিংবগী লীলা য়াম্না য়েংখি, হেনজিনবা এক্টিং য়াওদনা য়াম্না নুংঙাইখি। য়েংনীংদুনতা লৈখি। য়াম্না পকচখি। ফিল্মদদি বোনি অমদি ওলেননা হিরো কুম্লগা ফাগি তৌবা ঙম্মী। কবোকলৈ ইনাওচা হায়না খঙনরবা ইবোমচা ফাগি য়াম্না পকচৈ। থোইদোক্লা হেনজিনবা, শুকতোকপা, শুগৎপা, মখোল শেম্বা হায়বা অমা লৈতে। তৌশিন্নবা, হেনজিনবা এক্টিং ওইরবদি অয়েংবশিংনা পাম্নদে। টি ভি সেরিএল কয়াদা হেনজিনবা ফাগি তৌবা কমেদিয়ন নহা কয়া থোরকই। নহাশিংনদি য়াম্না পাম্না উই মখোয় অদু। নোকনীংদ্রবসু নোকপা য়াওখি ঐ মতম অমদা ইমান্নবনা নোকই হায়দুনা।

চর্লি চেপ্লিন চুম্না নেচর তানা এক্টিং তৌবগী ৱানি, হেনজিনদে অদুনা ওইবা তাই ঐখোয়না নোক্লিংলিবা। মাগী মগুণ অমনা ওইথোক্লরোইদৌবা কয়ানা ফাগি তৌরবসু ওইদ-ওইবা মালহনবা হৈবনিনা ঐখোয়বু থাজনা লায়না নোকনীংহনবা ফাওহল্লি। চাবসু শুকয়া য়াররোইদৌবা খোঙউপ অদুবু চাদ-চাবা পোৎ মান্না এক্টিং তৌরবনিনা পূক্লি পায়দুনা নোক্লিংলে অদুম।

বোল্লিৱুদকী ফাগি পুবা এক্টরশিং কিশোর কুমার, সটিশ শাহ্, জাসপাল ভাট্টি নেচর তানা অওইবা মান্না এক্টিং তৌই। শক্তি কাপুর, প্রান, অমজাদ খান অমদি কদর খান মতিং লৈবা কমেদিয়ন ঙাক্তনি। ভিল্লাইন শাবা ঙাক্তা নত্তে মখোয়না মমিং চৎলিবসি। জোনি ৱাকর, মেহমূদ ঐগদি কয়া পক্লদে মখোয় অনীসি। করিননো খঙদে মখোয়গী ফাগিদা নোকপা ইঙম ঙমদে। নেচর তানা ফাগি তৌবা ঐনা পাম্বনা ওইবা তাই। ফিল্ম নৎত্রগা লীলা হায়বসি অওইবা অমত্তা নত্তে হায়বসি লোইনা খঙলিবনি। ফাগি তৌবদা হেনজিলমল্লবসু নোক্লিংবা ঙমদে ঐদি।

ফাগি হায়বা অমা অমুক তোঙান্না লৈবজাৎলা? ফাগি হায়রিবসি মমৈদা অচুম্বা ৱা ঙাক্তা ওইরম্মী।

জি সী তোংব্রা, লাইশ্রম সমরেন্দ্র, এলাংবম দিনবনি, য়ূমলেম্বম ইবোমচা, আর কে ভুবোনস্না, থাংজম ইবোপিশক, কৈশাম প্রিয়োকুমার, সুধির নাওরোইবম, মোইরাংথেম রাজেন্দ্র, উলেল মৈতৈ অসিনচিংবা অইবশিংনা সেরিয়স ওইবা ফাগি কয়া তৌই।

য়াম্না সেরিয়স ওইবা নত্তবা ফাগি অচম্বা নুপী অঙাংশিংনা ঙাইহাক পোত্থানবা য়াম্না পাম্মী। মী খুদিংনা পাম্বা ফাগি খেন্নে। লৌবুক্তা লৌ কুল্লিবী ইমাশিংনা/ইচেশিংনা ইচম চম্বা ৱা অমা হায়নরগা ৱা-ৱা নোকনৈ, মদুদা ঐখোয়না নোকপা ঙমদে। হো ইচে লৈরাং নখোয় সাইদো হোরেল য়ূম হনবদা চাক লোইরম্মো হায়য়ো, ময়াম লৌ লিংমিন্নরিবশিংদো ৱা লাউনা নোক্লনি। অমনমুক ঙা থোংলম্মু হায়যুদা হায়বদা ময়াম ৱা লাউনা নোক্তৌরিনি। অমনমুক অদুদি হোরেল লৌ কারকপদা মখোয়দা ঐখোয় লোইনা হাইজিল্লগা চাক চাথোক্লরসে হায়রকপদা মদুগীসু ৱা লাউনা হেক্তা নোক্লনি।

ফাগি অসি শীজিন্নবা য়াদবা নেচর তানা তৌদ্রগদি য়াদবা ওইরম্মী অমুকসু ফাগি অসি ইশাগী থম্মোয় অসি নুংশিবনা থল্লগা হাংদোক্তুনা থম্বা ঙমদ্রবদি নোকপা য়াদবা পোৎনি। ফাগিরোইগী মায়কৈদগীনা তৌশিন্নবা য়াওদবা ওইবা তাই অদুগা অপাবগী নৎত্রগা অয়েংবগী মায়কৈদগীনা থম্মোয় অদু লৌথুপ লৌকোই লৈতবা ইহাঙ হাঙবা, ইচম চম্বা ওইবা তাই অসুম্মাইনা মরক মরক্তা খল্লকই। ফাগি হায়বসি নীংতম্না হায়দোকপা, ইথোকপা কনামত্তনা চৈরক্কনি, য়েৎলক্কনি হায়না খন্দ্রবা মতম অদুদা মনীং তম্না পূক্লিংদগী থোরকপদৌনসু তৌরি। থাগৎচরি। ●

## থুগায়রিবসি পুন্নবনি হায়রিব্রা

**নবকুমার ওইনা**

চফু শাগদৌরিবা লৈবাক্তু কূপ্পা থুগায়রিবনি, ঈশিং খরা চাইশিল্লগা পেথহল্লিনি, চফু শারনি, মেৎলনি, য়ৈরনি। মৈদা ইক্কদৌরিবনি, মৈ হৌনা শাদ্রবদি কন্দে। লৈবাক পেকফমদুগী মমিংদা থোন্দে, পেক্লরিবা মীগী মমিংদা থোন্দে, মৈ ইক্লিবা মীগী অপাম্বদসু তৌদে। লৈবাক অমা শেম্বগীদমক লৈবাক মীয়ামদু কূপ্পা থুগায়গদ্রা? কাঙলূপ অমগী মিংদা শাগৎকদ্রা? মসিগী ব্রারেপ অদুমক্লি ঙসি ফাওবা লৌবা ঙম্নদ্রিবা, য়েৎনরিবা, ব্রাখল লৌশিং ব্রাৎপদগী থবক ওইবা ঙমদ্রিবা। খূৎনা তৌগদৌবা থবক্তি খরতনি, অয়াম্বদি কোক্লা তৌগদৌবনি। লম্বীদি ব্রারেপ্পা থোনবা তাবনি, মোন্দ্রংনা মাঙ থাবনদি য়ারোইদৌরি। কৈদৌঙৈ লান লোইগনি হায়বা খঙবা ঙম্নদ্রিবনি। লানবু হৌদ্রিবনি।

লমদমসিদা তুং কোয়না হিংবা পাম্বা কনা-কনা য়াওরবগে? অনীং-অনীংবা পংহায়দা হায়বা, থোকউ-থোকউবা পংতৌদা তৌশিনবা মানবসিদদি তুং কোয়না লৈরদৌবনি হায়বদুদি মাল্লক্লোইদৌরি। মীওই খরনা অরাংফম ওইরগা মীয়াম্বু হুমদুনা পুগনি খল্লবদি লৈবাক শেম্বা নত্তে। কাঙলূপ ময়াম পুনবা য়ানদবসি চফু শারমদাইগী লৈবাক থুগায়বগুম্বনি। কাঙলূপকী লুচিংবনি হায়বশিংনা মচেৎ থুগাইবগী ব্রা ঙাক্তা ঙাঙনরি, মশানা ঙাঙলিবদু করিনো হায়ববু খঙলমদৌবা মাল্লক্তরে, টেপ রেকোর্দ খোংবা মানশিল্লক্লে। অনৌবা ব্রা য়াওদবা, অনৌবা অহোংবা উদবসি ব্রাখল অনৌবদা ব্রাখলদু খল্লি হায়বা য়াগদৌবা মান্দ্রে। ময়াম্না য়ানগদৌবা অপূনবা অদুসু অনৌবা ওইগদৌরি। অরিবদা য়ূম্ফমদু ওইরগা অরিবদু মান্নবা হোৎনদুনা লৈবা তারবদি মীওইবা খুন্নাইনা চৎলিবা খোঙচত্তা য়াওবা ঙমদবনি হায়গদৌরিবনি। অমনা অরিবগী শক্তম কনবা হায়গনি অমনা অনৌবা ব্রা হায়গনি, য়েৎনফমদি লৈতবনি। য়েৎনবা লৈরিবদি মীদুনি। অনৌবা হোংবা তোকপদি ঙম্নরোই, করম্বা মওংদা হোংবা হায়বগী খন্নহৌবদুগী য়েৎনবদি লৈগনি। মদুদসু ব্রাখলদা লৌশিংদা য়েৎনবনি, মীওইবগী শাজৎ-লিচত্তা ওইরক্লিবনি। অমনা ফুরুপকী ঙাঙগনি অমনা মীওইবা খুন্নাইগী হায়গনি, খেন্নবদি লৈগনি, য়েৎনফমদি ওইদবনি। অপিকপা ব্রাখলদা শিখাং খাংবা হায়বসি হেক য়াওরকপগা য়ানদবা ওইরকইবনি। মান্নদবা ব্রাখল্লোনশিংদু লৈখায় তামিন্নবা অমা চঙলকই, মতাং অদুদদি নক্লা ফম্মিন্নবা তারকই। ফম্মিন্নদনা লাপ্পা লাওনবনা ব্রারী মমুৎ তানা শানবা য়াগদৌবা লৈতে। য়ূমথংনরগা পাউ ফাওনদবদি ময়াম লৈরে। ইশম শম্না ব্রা খন্নবা হৈতবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। ব্রাহে অমদনা লৌশিং ব্রাৎপনি হায়গনি।

ব্রা কায়রবদি ঈশিং চঙই হায়নরিবনি, হৌজিকসু ঈশিং চঙবদৌনা ঈরাং লাংনরিবসি কদায়দনো অমা ব্রা কায়বা য়াওবগীনি, ব্রাকায় শুবা মী লৈবগীনি। ব্রাকায় শুবশিংনা কদায় ফাওবা মশাগী খুন্নাই খঙবা ঙম্লবগে, মদুগা মীওইবা খুন্নাইগী মরমদা করি হায়না খল্লিবগে হংবা তারক্লি। লাই নীংই, লাইনীং অমদা থব্রায় য়াওই হায়বনা য়াররোই, লাইনীং হায়বসি অরিবা ব্রাখল অদুমক্লি। লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইবশিংসি লানবা হৌরবনি হায়বসিসু খঙনরবনি, খুদক্তা হোংদোকপা ঙম্নদবতা ঙায়রবনি। মদুগী মমি পার্লিয়ামেন্টতা ফাওবা তাশিল্লকইবনি, মালেমগী লৈবাক অতৈগা মান্নদনা উনরকইবনি। সেক্যুলরিজম হায়বা মতমদা লাইনীং অমগী মমি তাহল্লোইদবনি, লাইনীং খুদিংমক অয়াবা পীরে হায়বা নত্তে। মাগী মাগী অপাম্বা লম্বী অমদা চুমদ্রিং চৎনরবদি কদায়দগী পুনবা য়ানরগদগে? পুন্দ্রবদা তোৎশিন্নবসু লৈররোই, পুন্দ্রবসু কুইনা হিংবা ঙল্লরোই হায়বসি খঙবা তারকই। কাঙলূপ খুদিংমক্লা মহৌশাদগী তোৎশিন্নরক্লবা অসি থুগাইদুনা শান্নবা হায়বসি লাল্লি হায়বা খঙনদবা য়ারোইদৌরি, তম্বা অমা চঙলিবনি। পূক্লিংগী পাউ ফাওনবা হায়বসিদা পুকচেল শেংবা, অচুম্বা ঙাঙবা, অচুম্বা চৎপা, মীনম্নদবা, নুংশিনবা তঙাইফদনা চঙলি। ঙসিগী লাইনীং অমত্তনা পুকচেল শেংবা, অচুম্বা চৎপা, অচুম্বা ঙাঙবা হায়বসি লাকশিন্দুনা থম্বা ঙম্নদ্রে। লাপথোক্লখ্রে হায়বসিদা পুল্লপ্পা মোরেল হায়বসি লাইনীং হায়বসিগা অকক্লবা মর লৈনরি হায়বা থাজনরক্ত্রে হায়বা য়ারে। স্কুল, কোলেজদা তাকপদু ইমুংদা খঙনবা ব্রাৎলি, পরিক্ষা থাগদৌরিবা মীদুগীতা ওইরি। খুদম ওইনা মী হৌরকপগী ব্রাসি স্কুলগা, লাইশঙগা, ইমুংগা অমত্তবু মান্নবা ঙম্নদ্রি। মানা মানা নীংবনা চুম্মী খন্নবসিসু লায়না অমনি। লম্মীৎ-তুমিৎ খঙনদবদি লায়বু লায়রি, পূক্লিং খঙনবা ঙম্নদ্রি, মীনম্নরি, থাজনদ্রি। নাকল অমদা নাপলগা লোয়ননা স্কুল, কোলেজগীসি অরানবনি হায়বা ময়াম অমা লৈরিবনি। লাইনীংগী লাইরিক খরদি কনা’মত্তনা পাবিদনা মাঙখিবা য়াওরক্কদৌরি। কান্নফম খঙদবা অদুত্তা নত্তনা লাইরিকশিংদু পাবগী মতম মাঙহনগদৌরিবসি মীওইবা খুন্নাইগী ব্রাখল লৌশিংগী অপূনবা ভোল্যুম অদুদগী হন্থগদৌরিবনি। লৌশিং হায়বসিসু মতম কায়থোক্তবদি ফংবা ঙম্নদ্রিবনি। মীওইবগী পুন্সি হায়বসি রবরগুম্না মরিল চৎহনবা য়াবা নত্তে, লৌশিং তাল্লিঙৈদা পুন্সি তঙ্খায় চনখিদুনা থবক অমত্তা মপূং ফাবা ঙমহৌদে হায়বসু য়াওরিবনি। মরক অসিদা লান তাশিনবা মানবা নাট অমসুং খুন্নাইগী শক্তম মুল্লগা লৌরগে হায়বা য়াওশিল্লক্লিবসি উবা ঙমদনা দ্রগতা লাইচুদুনা নহারোল কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহন্নরিবনি। মীওই খরনা দ্রগ পীশিল্লগা খুন্নাই অমা থুগায়বতা নত্তনা মুৎনবা শিনবসু য়াওশিল্লক্লিবনি। মমৈদা খুন্নাইসি মাগীনি হায়রক্লিবনি।

থৌশিল হৈতবসি লৈবাক থুগাইবা চিংই, চিন্দা অফবা শাদুনা ঙাঙবনা লৈবাক শেম্বা য়াবা হৌনদে। শেন্দোংগী খল্লগা থোং শারম্বা অফবা ব্রা নত্তে। লম্বীগী থোং শাবা হৈতনা ব্রাখল্লোনগী থোং করম্না শাগনি। অব্রাং-নোংপোক লমদম হায়গনি, শুরুংদা লৈবগুম্না খঙনবা ব্রাৎলিবগী ব্রারী ময়াম লৈরি। মদুগী মথক্তা হন্থনা য়েংবীরি, হাৎলি, নৈহৎপীরি। খুন্নাইগী ওইনা থুগাইরিবনি হায়গনি, মীওইবা মরক্তা লায়না অমা ওইনা লৈরিবসি ইখঙ খঙনবা ব্রানি। খঙদ্রিবদি মমা ওইবীশিংনা মশা চেকশিন্নবা, মচাশিং শেন্নবা ঙল্লক্তবা অসিনি। চহী ৬০গী মথক্তা লৈরবী নুপী ওইবীশিং মমা ওইবগী থৌদাং কয়া য়াম্না লৌরবগে? কৈথেল ফম্বগী, নুপী কায়নবগী এসোসিএসনশিং খায়দোকখ্রগা লৈবাক্কী ব্রাথোক কয়াদা শরুক য়ারিবীশিংগী ব্রাখল্লোন্দা স্কুল-কোলেজগী ব্রাখল লৌশিং কয়া য়াম্না য়াওরবগে? ইচা-ইশু নুংশিবদা কৈ অমোম মানবখক্তনা খুন্নাইসি কল্লগনি হায়বদি লৈতে। মদুগী মথক্তা অপূনবা খুন্নাইসিগী মমাশিং মচোয়-মচোয় থুগাইদুনা লৈবা য়ারোই হায়বসি ব্রাহৈগী মহুত্তা শাজৎ-লিচৎ থবক্লা উৎপা চঙই। মাগী-মাগী লাইনীংদা হকচিনবা হায়বসি খুন্নাইসি মচেৎ তানবা থুগায়রিবনি। শা-ঙা চাবদা য়াগনি-য়ারোই হায়বদি খুন্নাইসি মচেৎ-মচেৎ থুগাইরক্লিবনি। য়ু থকপা-শুংবা য়াদে হায়বসি খুন্নাই অসিবু মচেৎ মচেৎ থুগাইরিবনি হায়বসি মমা ওইবী খরনা খন্থহৌদবনি। মোনার্কিজম শীজিন্নরগা লুচিংবা য়াওনখিবগীনি। চৌক্রিনা থবক তৌবা য়ারক্তবগী ব্রাথোক থোক্লকপনি, ব্রারেপ্পা থবক তৌগদৌবনি। ব্রারেপ অমা লৌবদা স্কুল-কোলেজগী লৌশিংদু ইমা-ইবেনশিংনা নীংশিংবা চঙলকই। ব্রারেপ্তু দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্লা য়াবা ওইরগদৌবনি। কৈশাম্পাৎতা, থাও লম্পাক্তা লৌবা ব্রারেপ্পা পুনশিনবা ঙল্লনি হায়বা লৈতে। মখোয় খরদা কনানা শিন্নখিবা লৈখ্রবগে?

মীয়ামসিসু হার য়েন্দবগী, চেঙ য়েন্দবগীদি লাংলি। খুন্নাইসি মুৎখিবগীদি খন্থনবা ঙম্নদ্রি, জাৎ তাবা ঙল্লোই হায়বদা লৈরি। লাইনীংগী লোংউপ মনুংদগী থোক্লকপা ঙমদ্রিবশিংগী মোনার্কিজম্না ঙমদুনা চৎলিবা মালহল্লি। শ্বর চনিং তানা হোন্থদবা, নীংজিং-মাংজিংনবা মানবা ব্রাখল্লোন কয়াগী ব্রাহে পরেংনা লৈবাক্কী ব্রারী ওইনরকপা য়াবা হৌনদে। ইয়াম্বা নরাওবা অমসুং কপ্পলগা লেল্লিবা ইপাশিংগী ব্রাখল্লোন মান্নদবসু খঙলক্লবা মতম অসিদা খুন্নাইসি থুগাইনবা তৌবা থৌরাংশিং পূন্না থেংনবা ঙল্লগনি হায়বদি হৌনরে। পুনবগী পুন্নবা হোৎনবদা হেলোই তরেৎ (সিষ্টরস) না কোল্লিবা লমদম অসিগী অপূনবা থৌনা অমগী তঙাইফদবা অদুনা হেন্না মরু ওইরক্লি। মদুমক খঙদবা হায়বসি অপূনবগী খুন্নাইদু থুগাইবদা য়াওরিবনি, থুগাইরগা য়েন্নবদা শরুক য়ারিবনি। লাইরেলবু ফারবদি মকক তরেৎ থোক্লা কক্লগা য়েন্নে হায়বসি নুংশিনবা হেন্নবনি, হৌজিক্লা লৈবাক ওইনা য়েন্নখৎলকপগী হৈনবীদু শীজিন্নরকপনি। য়াংকোক অমা মল্লবদি মচেৎ-মচেৎ য়েন্থোক্লবদু ফত্তনা লৌবা, কিবা পোকপা ওইনা খনবা লাল্লম্বগী ব্রানি। অব্রা অনা থোক্তনবা শরুক য়ামিন্নবগী থৌনা উৎথোক্লবগী নাৎ অমনি। য়াংকোক্কী কনম পায়া মরি য়াওবা অসি করিনো খঙগে হায়রবদি মরীং ইপাদা হংবা তারক্লি। কবুই ইপা (তিংকাও রগাও) দা হংবা তারক্লি। মদুমক হংবা তল্লবদি খুন্নাই থুগাইবদা য়াওরিবনি হায়বসি ইশা ইশানা খঙনফম থোকপদুনি। মদুমক তাকপা ঙমদ্রবদি ইপাশিংসু খুন্নাইসি পুন্নবা থবক তৌদ্রি হায়বা খঙনখিগনি খল্লি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাউ মতুংদা হোংলক্লিবা মীওইবগী ব্রাখল্লোন অসিদা ঐখোয়গীসু শরুক য়াওরিবনি। ●